
# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনরবা য়াবা খরা


Oona O'Neill


Charlie Chaplin


Joan Barry

- চার্লিগী মচানুপা অনীদুসু **Oona** না মখোয়দা চঙলকপা খুদক্তা জয় তৌখ্রে। লুনা তিন্নখ্রে। অদুবু **Oona** না চার্লিগী মাঙদদি মরায় লূক্কা, কিনা, তুমিন্না লৈখি। মচানুপা অনীনা হায়, অতৈ নুপীশিংদি ববা উবদা হেক্তা শুমহৎপনি। অদুবু **Oona** দি ববাবু ঈরাৎচবনি, মানা ঙাঙবা -গৈ পূম্বা মতিন য়োৎনা তাজে। অনৌবা ফিল্মগী মরমদবু হায়রবসু, নোংগী-চীংগী মরমদবু হায়রবসু, নৎত্রগা অমা হেক্তা ববানবু হায়রবদি মুন্না তায়।
- **Oona** ব্রা য়াম্না ঙাঙদে। ঙাঙলকপা অদুদি য়াম্না খঙনা, ব্রাহন্থোক লৈনা ঙাঙলকই। অদুমক্তনা চার্লি নুংঙাইজে, মাগী ব্রাবা য়াবা ব্রারক্লবা পুন্সিগী থৌদোকশিংদু কাউবা ঙমজখি। অদুনা চার্লিনা লেপ্লে, মাগী ফিল্ম **Shadow and Substance** হায়বসি হেক লোইবগা চহীদা য়াম্না খেন্নজরবসু **Oona** বু লুহোংলগে হায়না।
- অদুবু চার্লিগী হৌনবী অনৌবা ফিল্ম অমগী ব্রাখল লাক্লে। মদুমক্তি **Orson Welles** হায়বা ফিল্ম মেক্কর অদুনা কোয়রকপদগীনি। মানা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমখক পুথোক্কে খল্লি হায়ররে। ব্রারী পরীংদি ফ্রান্সকী মতূ হাৎখিবা **Landru** হায়বদুগী ব্রারীদা শাগৎপনি। মদুদা চার্লিবু **Landru** শাবীয়ু হায়রবনি।
- ব্রাফমদু মেন তানদ্রিঙৈদা চার্লিনা ব্রাখল অমা লাকখি। হায়রিবা ব্রারীদুদা কোমেদি ফিল্ম অমা শেম্বা য়াগনি হায়না। অদুনা মানা **Orson** দা ফোন তৌরে, ব্রারীগী মচাক পীবগী ডোল্লর ৫০০০ পীরগে, কোমেদি ফিল্ম অমা ওল্লগে হায়না। **Orson** নসু য়ারে, হয়েং ফিল্মদু য়োনবগী রাইট অদু মঙোন্দা পীয়ু হায়রে। য়ানরদুনা চার্লিনা **Shadow and Substance** হায়বা চহী ফানা নম্লক্লবদু থূপচিনখ্রে, অদুগা অনৌবা ফিল্ম **Monsieur Verdoux** হায়বসি নম্নবা হোৎনরে। ১৯৪৬তা নম্বা লোইখি।
- ১৯৪৩ হায়বা চহীদুদি চার্লি ঈংনা পানখি। ব্রাথোক লৈখিদে। **Oona** মমা মচাসু চার্লিখোয়দা অয়াম্বা লৈ। মচানুপা অনীসু নুংঙাইজরে। চার্লিগী হান্নগী ফিল্ম কয়া কাপ্তুনা **Oona** মমা মচা য়েংহল্লি।
- অদুবু ১৯৪৩গী মে থাদা **Joan Barry** হায়বী অঙাওবীদুনা ফোন অমুক তৌরক্লে। মহাক মশা ব্রাই শংদ্রে। অঙাংদুগী মপা চার্লিনি হায়রক্লে। ফোন্দা হায়রকপদা নৎত্রে, বারীগী মমানা অঙাং উনবদা চঙগদবা শেল, চেকশিন থৌরাং তৌবদা চঙগদবা শেল, ডোল্লর ১৭,৫০০ পীয়ু হায়না চার্লিগী মথক্তা কেস অমা থাঙ্গৎলক্লে।
- অদুবু চার্লিনা হায়রিবা ব্রাফমদু য়াখিদে। মহাক পোক্কদৌরিবা অঙাং অদুগী মপা শুকনৎ নত্তে। চার্লিগী উকিলনসু হায়রে, বারী মশানা অঙাংদু হৌখিবা ১৯৪২গী দিসেম্বরদা ওইখিবনি হায়রি, অদুগা করিগীদমক মে থাদা ব্রাকৎ লানখৎপনো হায়না য়েৎলে। অদুবু বারীগী পাউ পুরিবা **Tim Durant** নদি ব্রাফমদু মনিল নাইদনা লোইশিন্নবা অঙাংদুগী দোল্লর ৭৫,০০০ অদুগা মমা বারীগী দোল্লর ৭৫,০০০ অমগা পূন্না ১,৫০,০০০ পীরগা লোইশিন্নরসি হায়রকখি।
- অদুবু চার্লিদি শুকয়া য়াদ্রে। পৈশাদুগী নতে, মহাক মরাল লৈতে, অদুনা পৈশাসু পীবা ঙল্লোই, অঙাংগী মপা ওইবসু ঙল্লোই হায়রে। অদুবু মতমদুগী কালিফোর্নিয়াগী আইন মতুং ইন্নদি নুপী অমনা ব্রাকৎপু থাঙ্গৎলক্লবদি মীরোনবী মমা মচাদুগী হিংবগী খরচ নুপাদুনা পুগদবনি, কেস লোইদ্রিবা ফাওবা। আইনগী মতুং ইন্না কেস লোইদ্রি ফাওবা চার্লিনা অঙাংদুগী দোল্লর ২৫০০ অদুগা বারীগী দোল্লর ১০০ চয়োল খুদিংগী পীবদা তারে। অদুগী মথক্তা অঙাং উনরমদাই থা অমগী মমাঙদা দোল্লর ৫০০ অমগা পীবদা তারে। অদুদা নত্তনা পোকপা নুমিত্তা দোল্লর ১০০০ অমগা মতুং তারকপা থা ৪ ফাওবা থা খুদিংগী দোল্লর ৫০০ পীবা তারি।
- কেসকীপরিংদা অঙাংদু পোক্লবা মতুংদা থা ৪ হেক শুবদা অঙাংদুগী ঈ টেষ্ট তৌবা, মপা ওইদৌরিবা চার্লিগীগা চানব্রা য়েংবা হায়বদু বারীনসু য়ারে। বারীগী উকিলনসু য়ারে, করিগুম্বা দোক্তর অনীনা চপ মান্ননা ঈ টেষ্ট তৌবদা চানদে হায়রবদি কেস লোইবা হায়না।
- তাল্লক অসিদা চার্লিগা **Oona** গগী মরীদি য়াম্না চেৎলম্লে। ব্রাথোক ফনা লৈদুনসু **Oona** না মশাগী চহী ১৮ হেক শুগদবা নুমিৎ ১৯৪৩গী জুনগী তাং ১ অসিদা লুহোংলসি হায়না লেপ্পখ্রে। **Oona** গী মমানসু য়ারে। মপাগী অয়াবদি লৌদবা তারে।
- অদুবু মপাবুং **Eugene O'Neill** গা তিন্নবা মরুপ অমগী মচানুপা **Durant** কৌবা অমগা অতৈ উকিল খরগনদি **Oona** বু মাগী লুহোংবগী ব্রারেপ্তু তপথনবা হায়খি। **Joan Barry** ব্রাথোক অদু লোইদ্রিফাও ঙাইনবা তকশিনখি। অদুবু **Oona** না য়াবা কৌবা লৈখিদে। মরমদি মাবু চার্লিনা য়াম্না পামজৈ অদুগা মানসু চার্লিবু ওন্থোক্লা নুংশিজৈ।
- অসুম্না ১৯৪৩গী জুন ১৫ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চার্লিনে **Oona** নে **Crocker** অমসুং চার্লিগী সেক্রেটরি **Catherine Hunter** গা লোয়ননা **Santa Barbara** তান্না লোন্না চৎখ্রে। মফম অদুদা চহী ৭৮শুরবা জষ্টিস **Clinton Pancoast Moore** কৌবা অমনা লুহোংবগী থবক পাঙথোকপীরে। অদুবু থুনা হোৎনখিবনা জষ্টিস অদুনা চাপ্লিনগী মিংদু চেপমেন হায়না ইরক্লে। কোন্না চুমথোক্লখি।

-মথং-মথং

## মকোক থোংবা হোলিব্রুদ এক্ট্রেসশিং



### কৈরা নাইটলি

শৈশকপী অমসুং ফিল্ম কুম্বী কৈরা নাইটলি লণ্ডনগী টেদিংটন্দা কুমজা ১৯৮৫ গী মার্চ ২৬ তা পোকখি। মহাক এক্টর ব্রিল নাইটলি অমসুং এক্ট্রেস শর্মন মেকদোনাল্ডগী মচা অতোনবীনি। মথক্তা সেলেব কৌবা মবুং অমা লৈ। মখোয়গী ইমুংনা রিচমন্দদা লৈরিঙৈদা নাইটলিনা ষ্টেনলি জুনিয়র স্কুল, টেদিংটন স্কুল অমসুং এশর কলেজদা মহৈ তম্লকখি। মশাগী চহি তরুক শুরকপদা দিসলেক্সিয়ানা নাবদগী মশা কন্না ঙম্লুদ্রবসু মহৈ মশিংদা থব্রায় য়াওরকখি। পীশক পীক্লিঙৈদগী ব্রাখল অনি লোংদনা এক্টিং পামজরকখিবনা লৈকায়গী দ্রামা কয়াদা শরুক য়াদুনা অপোকপী মমানা ইবা ''অফটর জুলিয়েট'' অমদি দ্রামাগী ওজা ইয়ন মেকসেননা ইবা ''য়ুনাইটেদ ষ্টেটস'' তা মরু ওইবা শক্তম লাংখি। মহাক আর্ট, হিষ্ট্রি অমদি ইংলিস লিটরেচরদা থব্রায় য়াওজরবসু এক্টিংদনা হেন্না পুক্লিং চঙখি।

মশাগী চহি ৬ শুরকপদা এজেন্ট অমগা থেংনবদগী মহাক্না তোঙান-তোঙানবা কম্মর্সিয়েল অমদি টিভি সেরিয়েল মচা-মচাশিংদা শক্তম লাংবা হৌখি। মহাক্না ইহান-হান্না কুমখিবা টি ভি ফিল্মদি কুমজা ১৯৯৩ গী ''লিট্টুল গার্ল ইন রোয়ল সেলেব্রেসন'' নি। ''বেন্দ ইট লাইক বেকখম'' দা কূম্বদগী মমিং চৎপা হৌখ্রবা মতুংদা মহাক্না এক্সন ফিল্ম ''পাইরেটস ওফ ড কেরিবিয়ন ড কর্স ওফ ড ব্লেক পর্ল'' দা ওর্লান্দো ব্লুম অমদি জোনি দেপকা কুম্মিন্নখি। ফিল্ম অদুনা কুমজা ২০০৩ গী মমিং খ্বাইদগী চৎপা ফিল্ম ওইখি।

কুমজা ২০০৩ দা বৃটিশ রোমান্টিক কোমেদি ''লভ একচুয়েল্লি'' দা এম্মা থোম্পসনগা কুম্মিন্নরবা মতুং ওল্লকপা চহিদা ''কিং অর্থর'' দা মরু ওইবা শক্তম লাংখি। ফিল্ম অদু কুম্নবগীদমক মহাক্না থা অহুম চুপ্না বোক্সিং, খৎন-চৈনবা, আর্চরি অমদি শগোল তোংবনচিংবা তমখি।

কুমজা ২০০৫ দা মহাক্না ''ড জেকেট'', ''দোমিচনা'' অমদি ''প্রাইদ এন্দ প্রিজুদিস'' তা কুমখি। ডোলর মিলিয়ন ১০০ হেন্না তানবা ঙমখিবা ফিল্ম অদু কুম্বগীদমক মহাক্না গোল্ডন গ্লোব অমদি ওস্কার এব্রার্দগী নোমিনেসন ফংখি। মহাক্না কুমখিবা অতৈ মমিং চৎপা ফিল্মশিংদি ''পাইরেটস ওফ ড কেরিবিয়ন ঃ দেদ মেন'স চেষ্ট'', ''সিলক'', ''পাইরেটস ওফ ড কেরিবিয়ন ঃ এট ব্রার্ল্ড'স এন্দ'', ''ড এদজ ওফ লভ'', ''ড দচেস'', ''ড সিমানথ্রোপ'', ''লাষ্ট নাইট'', ''নেভর লেট মি গো'', ''বিগিন এগেন'', ''লেগিজ'', ''জেক র্যানঃ শেদো রিক্রুইট'', অমসুং ''ড ইমিটেসন গেম'' অসিনচিংবনি।

''এমনেষ্ট ইন্টর্নেসনেল'' অমসুং ''ওক্সফাম'' নচিংবা লূপ কয়াগা শম্নদুনা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক-থৌরম কয়া তৌখিবা এক্ট্রেস অসিনা কুমজা ২০০১ দগী ২০০৩ ফাওবা এক্টর দেল সিনোটকা নুংশিনখি। মখোয় অনি ''প্রিন্সেস ওফ থিভস'' নম্বদা থেংনখিবনি। কোন্না অমুক ''প্রাইদ এন্দ প্রিজুদিস'' তা কুম্মিন্নখিবা রুপর্ট ফ্রেন্দগা মরী লৈনখি। অদুবু কুমজা ২০১৩ গী মে ৪ দা ম্যুজিসিয়ন জেমস রাইটনদা ময়ুম পানখি।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ



## চম্প্রাগী মতেংনা শক, চু অমদি উনশা ফজহন্নবা




হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা উহৈ অমা ওইরিবা চম্প্রা হায়বসি শক, কুচু, উনশা অমদি খুজিল খুয়া ফজহন্নবগী মতাংদসু কান্নরবা পোৎলম অমনি। মফম খুদিং ইরায়-লায়না ফংবা উহৈ অসি ভিটামিন বি, ভিটামিন সী, ফোসফরস অমদি কার্বোহাইদ্রেট মরাং কায়না য়াওবা মরম্না শক-চু ফজহনবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংই। চম্প্রাদা য়াওবা মহৌশাগী ওইবা এসিদনা উনশাগী অশিবা সেলশিং লৌথোক্তুনা উরিং অমদি মায়হিং ফহনবগা লোয়ননা কুচু শেংহল্লি। শক ফজহন্নবগী মতাংদা চম্প্রানা পীরিবা কান্নবা খরদং খঙমিন্নসি ঃ

- সাইট্রস এসিদ য়াওবা মরম্না চম্প্রা মহী তৈশিনবা মতমদা মায়হিং অমদি উরিং ফহল্লি। লশিং মচেৎ অমদা চম্প্রা মহী খরা লৌরগা মায়দা তৈশিন্দুনা মিনিট ১৫ রোম থম্লবা মতুংদা ঈশিং অইংবনা শেংনা মায় তাথোক্কদবনি। মসিনা উরিং অমদি মায়হিং ফহনবতা নত্তনা কুচুসু শেংহল্লি।
- চম্প্রা মহী চামচ অনীদা ঈশিং চামচ অহুম অমসুং খোইহি চামচ অমা য়ানশিল্লগা মায় অমদি ঙকশম থুংনা তৈশিন্দুনা পুংখায় অমরোম থম্লবা মতুংদা ঈশিং অইংবনা শেংনা থাদোক্কদবনি। নুমীৎ খুদিংগী থৌরাং অসি লৌখৎপা মতমদা কুচু ঙৌথোরক্কনি।
- উরিং থুংবা ফহন্নবগী মতাংদদি চম্প্রা অমা তংখায় খায়দোক্লগা মায়দা তপ্ন-তপ্না তক্তুনা মিনিট ১০ রোম থম্লবা মতুংদা ঈশিং অইংবনা শেংনা মায় তাথোক্কদবনি। নুমীৎ খরনিগী মতুংদা অহোংবা অমা শোয়দনা উবা ফংগনি।
- চম্প্রা অমা তংখায় খায়দোক্লগা ঙাইহাক তকপা মতমদা খুউ অমদি খুনিংগী অমুবা পুম্নমক কোকখিগনি। খুজিলদা তক্লগনা খুজিল চুবা ফহল্লি।
- চম্প্রা মহীদা সোদা বাইকার্ব নেট খরা য়ানশিল্লগা য়া থিনবা মতমদা য়াগী অচুবা পূম্নমক কোকখিগনি।
- নুমিদাং তুম্লমদাই খুদিংগী চীনবালদা চম্প্রা মহী খরা তৈরবদি নুমীৎ খরনিগী মতুংদা চীনবালগী উনশা ফজবা হেনগৎলক্কনি।



- চম্প্রা মহীদা য়ুবী মহী খরা য়ানশিল্লগা হকচাংগী মফম শীনবা-থুংনা তৈরবদি উনশা নানবা, থোৎপা অমদি ফজবা হেনগৎলক্কনি।
- চপ মান্নবা চাংদা চম্প্রা মহী, খোইহী অমসুং ওলিভ ওইল য়ান্নরগা তৈবা মতমদা মায়গী ফজবা অমদি থোৎ-থোৎ লাউবা হেনগৎলক্কনি।
- চম্প্রা তংখায় অমগী মহীদা চিনি চামচ অনী য়ানশিল্লগা স্ক্রব ওইনা শীজিন্নবা মতমদা উনশাগী অশিবা সেলশিং লৌথোকপদা নত্তনা তুখোঙ শেংদোক্তুনা মায়গী ফজবা হেনগৎলক্কনি।
- চপ মান্নবা চাংদা চম্প্রা মহী অমদি শঙ্গোম য়ান্নরগা মোইচরাইজর ওইনা শীজিন্নবা য়াই।
- কুচু ঙৌথোকহন্নবগীদমক্তদি চম্প্রা মহী, আলু মহী, খামেন অশিনবা মহী অমসুং চা চন্দন তকপগী মহী য়ান্নরগা মায়দা তৈশিন্দুনা মিনিট ২০ লোম থম্লবা মতুংদা অইংবা ঈশিংনা মায় তাথোক্কদবনি।
- ফোঙ-ফোঙ শাবা শঙ্গোমদা চম্প্রা মহী অমসুং গ্লীসরিন য়ানশিল্লগা নুমিদাং তুম্লমদাই খুদিংগী তৈরম্বদা মায় খুইবা , মীৎপান ময়া খুইবা ফখিগনি। চেকশিনগদবনা অশোকপা মফমদা চম্প্রা মহী খক তৈরোইদবনি। চম্প্রা মহী তৈশিল্লগা নুংশাদা চৎপসু তৌরোইদবনি।

## ভেজিটেবল সেন্দব্রিচ করম্না শেমগদগে

ব্রেদ টোষ্ট অমসুং মনা মশিং খরনা শেম্বা ভেজিটেবল সেন্দব্রিচ অসি মতম ইচঙ চঙহন্দনা শেম্বা য়াবা অমসুং খুদক্কী ওইবা অরাম্বা কোকহন্নবা খ্বাইদগী ফরবা চীঞ্জাক মখল অমনি। থোইদোকপা মরু-মরাং য়াওদবা মরম্না চাবদা হকচাং ফবা চীঞ্জাক অসি অয়ুক অঙনবগী ব্রেকফাষ্ট নৎত্রগনা নুমিদাংব্রাইরমগী থবক হল্লক্লগা চাবদা অদুম ইচন্দ-চন্নে।

*চঙগদবা পোৎচঙ ঃ*

- ব্রেদ, অচাথাউ
- আলু
- তিলহৌ
- মোরোক অতেকপা
- খামেন অশিনবা
- ফদিগোম মনা
- থুম, য়াইঙং অমসুং বট্টর।

*শেম শাবগী মওং :*

মৈথক্তা খাং অমা থাঙ্গৎলো অমসুং মকক-মকক কক্লবা ব্রেদ স্লাইসশিং অদু বট্টর তৈরগা হাপচিল্লো। মচু হাইরপ ওল্লক্লব-কান্দা থাংথরগা তোখাইনা থমখ্রো।

- আলু, তিলহৌ, মোরোক, খামেন অশিনবা, থুম অমদি য়াইঙং পূন্না ঙৌমিন্নরগা তোখায়না থমখ্রো।
- মনা-মশিং অদু ব্রেদ স্লাইস অনীগী মরক্তা হাপ্লগা ফোঙ-ফোঙ শানা চট্নি নৎত্রগা কেটচপকা পূন্না চামিন্নবা য়ারে।

## নহাক করি খঙলে- অঙকপনা থল্লবা মীওইবগী হকচাং

- গ্রীসকী নেসনল এনথেমদা ভর্স ১৫৮ য়াওই।
- জপানদা কুমজা ২০১১ দা সুনামি থোকখিবা মতুংদা মীয়াগি প্রিফেকচরদা মীগী হকচাং ময়াম অমা সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমনা চেনখৎলকখি।
- নোংথাংনা য়ু এসতা চহী খুদিংগী লান্মৈ ১০,০০০ চাকহল্লি।
- তূম্বা মতমদা মী নিপানগী মনুংদা অমনা নাখোকই অমসুং মী ১০ গী মনুংদা অমনা ময়া চিকই।
- বেষ্ট এক্টরগী ওস্কার ফংখিবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা এক্টরদি হেনরি ফোন্দানি। মশাগী চহী ৭৬ শুবদা ফোন্দানা ওস্কার ফংখি।
- হকচাংদা ফেরনহাইট দিগ্রী ১০৭.৬ তগী হেল্লবা মতমদা ব্রেন দেমেজ থোক্লকই।
- কুমজা ২০০৪ দা মপানগী লম কোয়বা মিলিয়ন ৪১.৮ হেন্না গ্রেট ব্রাল ওফ চাইনাদা কোয়বা লাকখি।
- নুমীৎ অসি মালেমদগী মাইল ৯৩,০০০,০০০ লাপ্না লৈ।
- ফিনলেন্দদা পাৎ ১৮৭,৮৮৮ অমসুং ঈথৎ ১৭৯,৫৮৪ লৈ। ফিনলেন্দগী খ্বাইদগী চাউবা পাৎ সাইমা অসি য়ুরোপকী মরিশুবা খ্বাইদগী চাউবা পাৎ ওইরি।
- মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইমপ্লোয়রদি ইন্দিয়ন রেলব্রে সিষ্টেমনি। ইন্দিয়ন রেলব্রে সিষ্টেমদা মী মিলিয়ন ১.৬ হেন্না থবক তৌই।
- ক্বিন এলিজাবেথ অহানবনা মশাবু য়াম্না নানবগী খুদম অমনি হায়না খঞ্জখি। মহাক্না তঙাইফদবা লৈরবসু লৈত্রবসু থা অহুম খুদিংগী অমুক্তি ঈরুজৈ হায়না লউথোকখি।
- মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও কুমজা ১৯৪৫ গী সেপ্টেম্বর ২ দা জপাননা সরেন্দরগী এগ্রীমেন্ট অমা য়ু এস এস মিসৌরিদা সাইন তৌরগা লোইশিনখি।
- অঙাং ওইবদা মতেং পাংনবা করিগুম্বা মতমদা রোমান ফিজিসনশিংনা গ্লেদিয়েটরগী ঈ রিক্কমেন্দ তৌরম্মী।
- তাই কা হেন্না লাকশিন্না পুল্লবদি নুপাদা গ্লোকোমা থোকপা য়াবগী রিস্ক ব্রাংই হায়বসি রিছার্চতগী খঙবা ঙম্লে।
- কুমজা ২০০০ ফাওবগী মনুংদা সনা টন ১৪২,৬০০ খনিশিংদগী তানখ্রে।
- অর্ক্টিক লমদমদা লৈরিবা উন মপাক্কী থাবগী চাং চাংচৎতা ফুট ১০ নি। ফুট ৬৫ ফাওবা থাবা মফমশিংসু লৈ।
- মালেমদা লোল ৬,৮০০ লোম লৈ।
- সাইবিরিয়াবা লৈবা বাইকাল পাৎনা মালেমগী খ্বাইদগী লুবা পাৎ ওই।
- মালেমগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ১৩ লৈকংলাশিংদা লৈ।
- মালেমগী চাংচৎতা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১৫ নি।
- এন্টার্ক্টিকাগী অকংবা তম্পাকশিংদা চহী মিলিয়ন ২ নোং চুরক্ত্রি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি।
- মালেমগী ওইবা তাসমানিয়াদা শিৎপা নুংশিৎনা খ্বাইদগী অমোৎপা পোৎশক চেন্দবা অশেংবা নুংশিৎনি হায়না লৌনৈ।

## [illegible]

